**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13.06.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) পি.ঐচ.ই. মন্ত্রি লৈশাংথেম শুশিন্দ্রোনা হায়রি- জিরিবাম জিলাদা মখা তাবা পামদবা থৌদোকশিং থোরক্তনবা অহেনবা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং থল্লগনি।

২) ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা সমগ্রা শিক্ষাগী ষ্টেট প্রোজেক্ট দাইরেক্তরগী ওফিস অমদি লমফেলপাৎতা লৈবা ইজ্‌কেসন (এস) দাইরেক্তোরেটকী ওফিস ঙসি মহৈরোই কাংবু অমনা অমাং অতা থোকহল্লম্বগী থৌওং সরকারনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

৩) চান্দেল জিলাগী কে. মোলনোম খুল মনাক্তা চেনবা মণিপুর তুরেল মথক্তা শারিবা থোং লোইশিন্নবা য়োৎ পুরকপা গাড়ি অনি ঙসি ককচিং খুনৌদা মীয়ামা ফারে। তুংদা গাড়িশিং অদু পুলিসনা লৌখৎখ্রে।

৪) লোক্তাক লিফ ইরিগেসন মথৌ তৌহন্দুনা লৌমীশিংদা ঈশিং ফংহন্নবা তকশিল্লক্লি।

অমসুং

৫) বি.জে.পি লুচিংবা পেমা খন্দু অরুনাচল পদেশকী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে।

------

শুশিন্দ্রো (এল)ঃ পি.ঐচ.ই. মন্ত্রি লৈশাংথেম শুশিন্দ্রোনা ঙসি জিরিবাম জিলাগী বিদ্যানাগর মল্টি পরপজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা

চত্তুনা চান-থকবা অমদি অতৈ তঙাইফদবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। শ্রী শুশিন্দ্রো ঙরাং জিলা অদুদা থুংখিবনি। পোৎলমশিং অদু য়েন্থোক্লদুনা শ্রী শুশিন্দ্রোনা হায়- মখা তাবা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা চিংনবা মফমশিংদা মতিক চাবা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং থল্লে। মসিগী মথক্তা অহেনবা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং মখা তানা থমবা হোৎনরি। শ্রী শুশিন্দ্রোনা হায়- মীয়ামা পুকিং ফাথবিদুনা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা জিলা অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা হোৎনমিন্নশি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমারগী লমজিং মখাদা জিরিবাম রিলিফ টিমনা মফম অসিদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিং অহিং নুংথিল খাক্তনা কুপা য়েংশিল্লি। ঙসি রিলিফকী টিম অসিনা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নদুনা মখোয়গী অৱাৎ অপাশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। টিম অসিনা রিলিফ কেম্পশিংদা চত্তুনা চান-থকবা য়াওনা তঙাইফদবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি।

মরক অসিদা, চিংদোং লৈকাই অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী ক্লাস প্রি-প্রাইমারিদগী ক্লাস আইট ফাওবগী হয়েংদগী ক্লাস হৌনবা দরকার লৈবা থবকশিং লৌখৎলে। স্কুল অসিদা মথৌ তৌরিবা ওজাশিংসু স্কুল কারক্তুনা মখোয়গী মথৌ পাঙথোকবা খঙহনখ্রে। মহৈরোইশিংগী দরকার ওইবা টেক্সবুকশিং অমদি মহৈ তম্বদা চংবা পোৎলমশিংসু ঙসিদগী য়েন্থোকপা হৌরে। জিলা অসিগী আই.সি.দি.এস প্রোজেক্টনসু বিদ্যানাগরগী মল্টি পরপজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংদা তঙাইফদবা চান থকবা পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, জিরিবাম জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমার, জিলা অসিগী এস.পি. এম. প্রদিপ সিংহ, এ.দি.সি জিরিবাম ওইরিবা মনোরঞ্জন য়াওনা ওফিসিয়েল কাংবু অমনা জিলা অসিদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংগী ফিভমশিং কোইনা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে অমসুং মীয়ামগী অৱাৎ অপা লৈতনবা দরকার লৈবা থবকশিং লৌখৎকনি হায়বগী থাজবা পীখি।

রিলিফ(এল)ঃ মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরকপদগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা মখোয়গী লমগী অকুপ্পা মারোল থা অসিগী ১৮ ফাওবদা থাজিল্লকবা বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিংগী দিপ্যুতি কম্মীস্নরশিংনা খঙহল্লি। জিলাশিং অসিগী লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংনা মখোয়গী লমগী অকুপ্পা মরোল মরী লৈনবা দি.সি ওফিসশিংদা পীশিল্লক্কদবনি। চান্দেল জিলাগী ওইনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা মখোয়গী লমগী অকুপ্পা ৱারোলশিং অদু থা অসিগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্কদবনি হায়রি। মসি সুপ্রিম কোর্টকী হুকুম অমগী মতুং ইন্না লমশিংবু ঙাকশেন্নবগীদমক খনখিবা গিতা মীতল কম্মীতিনা রাজ্য সরকারদা পীরকখিবা য়াথং অমগী মতুংইন্না থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি।

ইদুকেসন (এল)ঃইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা সমগ্রা শিক্ষাগী ষ্টেট প্রোজেক্ট দাইরেক্তরগী ওফিস অমদি লমফেলপাৎতা লৈবা ইজ্কেসন (এস) দাইরেক্তোরেটকী ওফিস ঙসি মহৈরোই কাংবু অমনা অমাং অতা থোকহল্লম্বগী থৌওং অদুবু মণিপুর সরকারগী মাইকৈদগী অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। থৌদোক অদুগী মতাংদা এফ.আই.আর লৌখৎলে হায়না ইজ্কেসন (এস) বিভাগকী জোইন্ট সেক্রেতরি এলাংবম সোনিয়ানা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়- তুংগী য়ুন্বীরেল ওইগদৌরিবা মহৈরোইশিংনা অসিগুন্বা হিংশাগী থৌওং চত্থরকপা অসি লাইবক থিবনি। দাবী অমা তানবদা অসিগুন্বা হিংশাগী থবক চত্থবা অসি ক্রিমিনেলগী থবকনি। সরকারনা মখোয়গী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎলকপা মতমদা মহৈরোইশিংগী তুংগী কেরিয়রদা চাউনা শোক্লকপা য়াবনা অসিগুন্বা থৌওং অসি মতুং তৌদনবা হায়রি। ওফিস থুগাইরম্বগী থবক অসি বিভাগ অসিনা চত্থরিবা প্রি-প্রাইমারিগী ওজা লৌবগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা হায়রি। হিরম অসিগী মতাংদা চহি অসিগী মার্চ ২৪ দা চেরোল অমা থোক্তুনা প্রি-প্রাইমারিগী ওজা লিশিং ১,১৪০ লৌবগী তঙাইফদবা ৱাফমশিংগী মতাংদা শেংদোকখিবা লৈখ্রেবনি। ওজাশিং অসি সমগ্রা শিক্ষা স্কিমগী মখাদা লৌগদবনা মতম চানা

থবক লৌবগী প্রোসেস লোইশিনহৌদবা তারবদি স্কিম অসিগী ফন্দ ফংহৌদবগী ওইথোকপা নৈ। চেরোল অসিনা হায়- ওজা লৌবগী থবক অসিদা ক্বালিফিকেসন কোমথোক্লিবা অসি রাজ্য অসিদা দরকার লৈবা ত্রেনিং সেন্তরশিং লৈতবননি হায়বা ৱাফমসু শেংদোকখিবা লৈরে। ক্বালিফিকেসন শুরবা কেন্দ্দেটশিং হান্না খুদোংচাবা পীগনি। করিগুম্বা মখা তাবা অহাংবা ফমশিং লৈরবদি লেমহৌরিবা কেন্দিদেটশিংদগী খনগনি। মহৈরোইশিংনা হিংশাগী থৌওং চথবগী মহুৎতা বিভাগ অসিগা শান্তি ওইবা মওংদা ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনমিন্নশি হায়নসু চেরোল অসিনা আপীল তৌরক্লি।

ককচিং (এল)ঃ চান্দেল জিলাগী কে. মোলনোম খুল মনাক্তা চেনবা মণিপুর তুরেল মথক্তা আইন কায়না শারিবা থোং লোইশিন্নবা য়োৎ পুরকপা গাড়ি অনি ঙসি ককচিং খুনৌদা মীয়ামা ফারে। তুংদা গাড়িশিং অদু পুলিসনা লৌখৎখ্রে।

পনবা য়াবদি কে. মোলনোম মনাক্কী মণিপুর তুরেল মথক্তা আর.সি.সিগী থোং মীওই খরনা শাবা হৌগৎলকপদা চান্দেল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা চহি অসিগী মার্চ ২১ দা চেরোল অমা থোক্তুনা থোং শাবা য়ারোই হায়দুনা থিংখিবনি। অদুবু সরকার হুকুম অদু থৌওইদনা মখা তানা থোং শাবগী অনৌবা ভিদিও অমা সোসিয়েল মিদিয়াদা ভাইরেল ওইরকপদগী মণিপুর সরকারনা মমাং থাগী ২৫ দা মশিং য়াম্লবা সেক্যুরিতি ফোর্স অমদি ওফিসিয়েলশিং মফম অদুদা থাজিনদুনা থোং শাবগী থবক অদু লেপহনখিবনি।

ঐখোয়গী ককচিং পাউমী নোংমাইথেম ভাবেশ্বরনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- ঙসি থোং শাবদা শিজিন্ননবনি হায়বা য়োৎশিং অদু বি.আর.টি.এফ থাবা গাড়ি অনিদা পুরকখিবনি। গাড়িশিং অদু ঙসি অয়ুক পুং ৯ মখায়রোম তাবা অদুৱাইদা ককচিং খুনৌ উমাথেল এরিয়াদা মীয়ামা খামদুনা চ্যেক তৌবদা য়োৎশিং অদু আইন কায়না শাগৎলিবা থোং অদু লোইশিনবদা শিজিন্ননবনি হায়বদু খঙলকখিবনি। গাড়ি অদু থৌরকপা নন-লোকেল ড্রাইভর অনি অমদি হেন্দিমেন পুন্না মীওই অহুম মীয়ামা ফারবা মতুংদা ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখি। অমরোমদা, থোং অদু শাবদা শিজিন্নগদবা এসকাভেটর অমদি ৱাংঙু পুলিস ষ্টেসনগী কাংবুনা মতম চানা কনবা ঙমহৌরে হায়রি।

লোক্তাক (এল)ঃ নেসনেল হাইদ্রো পৱার কোর্পোরেসন্না লৈমাতাক্তা লৈবা পৱার হাউসকী তরবাইন অহুম্মক শিজিন্নখিবদগী নিংথৌখোংদা লৈবা লোক্তাক লিফ ইরিগেসন্না মসিনা কোনবা এরিয়াদা লৈরিবা লৌকোলশিং ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাবা পীবা ঙমদ্রে। তরবাইন অহুম্মক শিজিন্নখিবা অসিনা লোক্তাক লিফ ইরিগেসনগী পম্প হাউস নম্বর-ৱানগী ইন্টেক রিজার্ভকী ঈশিং ঈমায় কা হেন্না হন্থখিবনা ঈশিং চিংখৎতুনা লৌমীশিংদা ঈশিং পীবা ঙমদবনি হায়রি। লৌমীশিংনা লৌ উবা য়ানবা ঈশিং পীবীনবা সরকারদা তকশিল্লক্লি।

মোরে (এল)ঃ তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা টি. মিনৌ খুলদা নৌনা শাখিবা জৱাহর নবোদিয়া বিদ্যালায়া ঙরাং নুমিদাং শকখঙদবশিংনা মৈ থাদোক্লল্লে হায়রি। মীশি মীনা, অশোক অপন য়াওবগী পাউদি লৈতে হায়রি।

সস্পেন্দ (এল)ঃ সরকারগী য়াথং ইনদবা অমদি পোষ্টিং মফমদা চত্তুনা মথৌ পাঙথোক্তবগী মরালদা স্পেসিয়েলিষ্ট ডোক্তর অহুম ঙসি থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা রাজ্য সরকারগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যার বিভাগকী জোইন্ট সেক্রেটরিনা সস্পেন্দ তৌবগী চেরোলশিং থোকখ্রে। ডোক্তর অহুম অসি হৌজিক হৌজিক থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল পুবনি। অদুবু মখোয়না নৌনা থবক পুগদবা মফমশিং অদুদা রিপোর্ট তৌরদবদগী সরকারনা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌবগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

কৌব্রু (এল)ঃ চহি খুদিংগী কৌব্রু লৈখাদা পাঙথোক্তুনা লাকপা ইবুধৌ কৌব্রু অশুপপা অমদি ইবেনধৌ কৌনু অশুপপীগী লাইনিং লাইশোলগী থৌরম অমা ওইরিবা কৌব্রু ইরুপ্পা হায়রগা খঙনবা থৌরম ঙসি সেকমাই তুরেল মরিলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু কৌব্রু লৈখাদা লাইফম কনবা লুপনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুগী মতাংদা কৌব্রু লৈখা লাইফম কনবা লুপকী সেক্রেটরি খ্বাইরাকপম রাকেশনা হায়- থৌরম অসি চহি খুদিংগী ইঙাগী ৭ নি পানবদা কৌব্রু লৈখাদা পাঙথোক্তুনা লাকপনি। অদুবু হৌখিবা চহিদগীদি হৌজিক

থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা সেকমাই তুরেলদা ওইনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মহাকা হায়- কৌব্রু লাইফম অসি মণিপুরগী পুৰারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা মফম অমনি। লাইফমলেন অসিদা মীতৈশিং মরুওইনা সেকমাই মীয়ামগী পোকপা অমদি শিবা ফাওবগী তৎন থানা য়াদ্রবা থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাকপনি।

ত্রাইবেল (এল)ঃ ত্রাইবেল লোলশিংগী মতাংদা রাজ্য সরকারনা অয়াবা পীরিবা টেক্সবুকশিং ফোংবদা শেলগী তেংবাং লৌনিংবা ত্রাইবেল লিটরেচর সোসাইতিশিংদগী দরখাষ্ট কৌরি। দরখাষ্টকী ফোর্ম চীংমৈরোংদা লৈবা ত্রাইবেল রিছার্স ইন্সটিট্যুটতগী লৌরবা য়াগনি। দরখাষ্ট পীশিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ২৪ ফাওবনি।

সিপিআই (এল)ঃ ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসন মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা জিরিবামদগী শোইবম শরতকুমারগী মীহাৎ অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরকপগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং ফাদ্রিবা ফাওবা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চথনবা সরকারদা তকশিল্লক্লি। ফেদরেসন অসিগী সেক্রেটরি কে.ঐচ. হেমালয়না থোকপা চেরোল অমদা হায়- জিরিবামদা থোক্লিবা থৌদোক অসি য়ামা লাইবক থিবনি। লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা মশা মশাগী ময়ুম হঞ্জিনহন্নবা সরকারনা মতিক চাবা থবক লৌখৎকদবনি হায়রি।

লাইরিক (এল)ঃ হিদাম আজিৎ মৈতৈ, ৱাকমবম থিরেন অমদি শুকদেব শর্ম্মা হঞ্জবমনা পুন্না ইদিত তৌদুনা ফোংবা লাইরিক- ত্রাই কলর এট মোইরাং হায়বা লাইরিক অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা পাঙথোকখ্রে।

অকাশবানি(এল)ঃ অকাশবানি ইম্ফালগী নহারোলগী খোঞ্জেল থৌরমদা কেজ্‌য়েল এসাইনি লৌনবগীদমক ফোর্ম থাজরি। থবক অসি রিগুলর ইমপ্লোইমেন্ট নত্তে। দরকার ওইবগী মতুংইন্না বুক তৌরগা থৌরম শেম শাবা, ঈশৈ লান্থোকপা অমদি রেকোর্দিং তৌবনচিংবগা মরী লৈনবা থবকি। এপ্লিকেসন ফোর্ম অমদি অতৈ মরুওইবা ৱারোলশিং ওফিসকী ফেসবুক এক্কাউন্ট-অকাশবানি ইম্ফাল-দা চংলগা ফংবীগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম চৎলিবা জ্‌ন থাগী তরিখ ২৫ ফাওবনি।

পেমা ঃ বি.জে.পি লুচিংবা পেমা খন্দু অরুনাচল প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে। শ্রী পেমা খন্দুবু রাজ্যপাল-লেফটনেন্ট জেনরেল কে.পি. পরনায়কনা থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। ৱাশক লৌবগী থৌরমদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ, হকশেল মন্ত্রি জে.পি নদ্দা য়াওনা অতৈ লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

নিট ঃ নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিগী হাই পৱার কমিতিগী রিপোর্ট সুপ্রিম কোর্টনা য়েংশিল্লবা মতুংদা মহৈরোই লিশিং ১,৫৬৩ দা গ্রেস কেম্পেসেন্টরি মার্ক পীখিবা অদু হন্দোকখ্রে। হায়রিবা মহৈরোইশিং অসিগী নৌনা পরিক্ষা অমা থা অসিগী ২৩ দা পাঙথোক্লগনি হায়না নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা হায়রি। নৌনা পরিক্ষা পাঙথোকবা এজেন্সি অসিনা পাব্লিক নোটিশ অমা অথুবা মতমদা থোক্লগনি।

নোনে (এল)ঃ উত্তরাখন্দদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ান কোম্বেট লিগকী এমেচর বোইজ এম.এম.এ ফাইটতা সনাগী তকমান লৌরকখ্রবা নোনে জিলাগী পুংমোন চিংচেন খুলদগী জেফথর বরিয়ামবু তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ইনপুই নাগা য়ুনিয়ন অমসুং ইনপুই স্পোর্টিং এসোসিয়েসন্না শিনবনি।

ফুটবোল (এল)ঃ নিংথৌখোং হায়র সেকেন্দরি গ্রাউন্দদা শান্নবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল খেলেন্দ্র মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্টকী ৱিন্নর টি.কে.কে.ও নিংথৌখোং খা খুনৌনা ওইরে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা টি.কে.কে.ওনা কে.বি.এফ.সি খা পোৎশংবমবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

ফুটবোল (এল)ঃ অৱাং পোৎশংবম খুনৌদা শান্নরিবা অহানবা অৱাং কৌব্রু ত্রোফি ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসিগী মেটচশিংদা ঙানবা এফ.এ খাবম অমসুং গ্রেস হাউস পাৎশোই পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা এন.ৱাই.সি নিলাকুথিনা কে.দব্লিউ.এস.সি ৱাবগাইবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

কাং (এল)ঃ শিংজমৈ কাংখুৎনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা ককচিংতাবম কুঞ্জবিহারি শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোক আউট কাং তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ওইনাম কেন্দ্রনা থোংজ্ কেন্দ্রবু পাঞ্জল ২২-৮ দা মায়থিবা পীখ্রে।

------